# য়ুক্রেনগী ৱাথোক লুশিল্লকপগা লোয়ননা পুটিননা ওবামাগী ৱা লৌখিদ্রে

*সিম্ফরোপোল, মার্চ ৭ঃ* ক্রিমিয়াদা মোস্কোনা লান্মী থাজিনবগী মতাংদা য়ু এস প্রসিদেন্ট বরাক ওবামানা ৱার্নিং তৌরকখিবা ৱারোল অদু য়ুক্রেনদা লৈরিবা রুসিয়ান লোন ঙাংবা মীয়াম্না হায়জরকপদা রুসিয়ানা তাশিন্নদবা য়ারোই হায়বগা লোয়ননা ওবামাগী ৱা লৌখিদ্রে।



পুং ১ হেন্না ওবামাগা ৱারী শারবা মতুংদা পুটিননা চেরোল অমদা হায়খিবদা, হান্নগী সোভিয়েট রিপব্লিক ওইরম্বা অসিগী ফিভমগী মতাংদা মোস্কো অমদি ৱাশিংটন অনিগী ৱাখল্লোন ফজনা তায়োন্নরে হায়না ফোঙদোরকখি।

য়ুক্রেনগী অনৌবা ওঠোরিটিশিংনা ক্রিমিয়াগী লমদমশিং, য়ুক্রেনগী নোংপোক অমদি খা-নোংপোক থংবা মফমশিংদা আইননা শুকয়া য়াররোইদবা ৱারেপ লৌশিনখ্রে হায়নসু পুটিননা চেরোল অদুদা ফোঙদোরকখি।

তেংবাংবীনবা হায়জরকপদা রুসিয়ানা তাদবা য়াদবনা চুনবা খোঙথাং লৌখৎপনি। মসি মালেমগী আইন চপ চানা ঙাক্লা লৌখৎপা খোঙথাংনি হায়নসু পুটিননা ফোঙদোরকখি।

কোল্ড ৱার লোইখ্রবা মতুংদা নোংপোক-নোংচুপনা মুক্নরকপদা খ্বাইদগী লুবা ফিভম অমা থোকহন্দুনা কিয়েবতা ভাইওলেন্স য়াওবা ৱাকৎ ঈহৌশিং চথরবা মতুংদা মমাং থাদা য়ুক্রেন প্রসিদেন্টপু মফম লৌথোকখিবনি হায়নসু পুটিননা শেংদোরকখি।

মতুং তারকপদা এঠনিক রুসিয়ানশিংনা নম্না য়াওবা ক্রিমিয়াগী পার্লিয়ামেন্টনা রুসিয়াদা পুনশিন্নবা ৱারেপ লৌরকপদগী ৱাথোক অসি লুশিল্লকপনি।

ক্রিমিয়াগী গভর্নমেন্টনা মীয়ামদগী রিফরেন্দম অমা লৌনবা মতমসু মার্চ ১৬ তা লেপ্তুনা নুমিৎ ৯ নি খক্সী মতম লৈরি। চৈরক অসিদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন লিদরশিং অমদি ওবামানা মার্চ ১৬ কী রিফরেন্দম অদু ইলেজিটিমেট ওই হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোরকপনি। রিফরেন্দম অদু য়ুক্রেনগী কন্সটিট্যুসন থুগাইবা থৌওংনি হায়নসু ওবামানা ফোঙদোরকখিবনি।

রুসিয়ান পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসকী মকোক অসিনা ক্রিমিয়াগী এম পি শিংগা ঙসি উন্নরবা মতুংদা ক্রিমিয়ানা মশাগী মরাইবক লেপচবগী হক লৈ হায়বগা লোয়ননা মচিন মনাও ওইনবা লৈবাক অনিগী মরক্তা লান থোকপা য়াবগী খুদোংথিবা শুক্নে লৈতে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে।

পুটিনদা টেলিফোন তৌদ্রিঙৈদা ওবামানা ৱাথোক অসি হেক হৌরকপা মতুংদগী ইহান হানবা ওইনা রুসিয়াগী মায়োক্তা সেঙ্কসনশিংসু লাউথোকখি।

সেঙ্কসনশিং অদুদি য়ুক্রেনগী সোভরেন্টিদা শীংনবা শকখঙদবা মীওইশিংগী এসেটশিং ফ্রিজ তৌশিনবা অমদি বিজা বেন তৌশিনবা অসিনি।

অমরোমদা জপাননগী প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেনা ওবামাগা ৱারী শান্নরবা মতুংদা রুসিয়াগী ফোর্সশিংনা ক্রিমিয়ান পেনিনসুলা কন্ট্রোল তৌশিনখিবা অদু মালেমগী পিস অমদি সিক্যুরিটিদা অকিবা পীবনি হায়বা নোংচুপ লৈবাকশিংগী ৱাখল্লোন অদুবু শৌগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এনকী সিক্যুরিটি কাউন্সিলদা নোংচুপ লৈবাকশিংগী থৌওংশিং থিংবদা অয়াম্বা মতমদা রুসিয়াগী মপাং ওইখিবা চাইনানদি খরা হেন্না চেকশিন্না ৱা ঙাংলদুনা ৱাথোক অসি লোইশিনবদা ইকোনোমিক সেঙ্কসনশিংনা খ্বাইদগী অফবা পোরম নত্তে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অদুবু মার্চ ১৬ তা পাঙথোক্কনি হায়রিবা ক্রিমিয়াবু য়ুক্রেনদগী তোকখাই তাবগা মরী লৈনবা রিফরেন্দম অসিগী লিগেলিটিগী মতাংদদি চাইনানা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোরকখিদে।

য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননসু ৱারী ৱাতাই শান্নদুনা য়াশিন্নবা পুরক্নবা থেঞ্জাং অহুম থোকপা থৌরাং অমা পুথোকপগা লোয়ননা সেঙ্কসনশিংগী মতাংদদি করিমতা ফোঙদোরকখিদ্রে।

# পাকিস্তাননা টালিবানগী মথক্তা ওপরেসন চথরকপা য়াই



*পাকিস্তানগী দিফেন্স মিনিষ্টর খৱাজা অসিফনা ইন্টরর্ভিয়ু অমদা শরুক য়ারি ঃ ফাইল ফোটো*

*ইস্লামাবাদ, মার্চ ৭ঃ* আফগানিষ্টানগী ঙমখৈ ময়াদা লৈবা পাকিস্তানগী ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা খোঙদাফম লৈরিবা পাকিস্টানি টালিবান ইন্সর্জেন্টশিংগী মথক্তা পাকিস্টাননা মপুং ফাবা মিলিটরি ওপরেসন অমা চৎলিবা থা অসিমক্তগী চথরকপা য়ানা লৈরি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর খৱাজা অসিফনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্কী ৱারোল অসি সিজ ফয়ার থৌশাদবা লালহৌবশিংগী মথক্তা ৱার্নিং অমা ওইনা ফোঙদোরকপনি। পাকিস্টান টালিবাননা শান্তিগী থৌরাং অমা হৌবা য়াবগী খুদোংচাবা মাঙহন্দুনা নোংমৈ পায়বা মীওই খরা ইস্লামাবাদকী কোর্ট অমদা চংশিল্লক্তুনা হৌখিবা নোংমাইজিংদা নুংথিল পোবোপতা মীওই ১১ হাৎখিবনি।

পাকিস্টান কোনুংগী ময়োলমক্তদা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা কোর্ট অমদা চথরকখিবা এটেক অদু টালিবাননদি মখোয়গা মরী লৈনদে হায়রদুনা মখোয়দগী মচেৎ তাখিবা লুপ অমনা এটেক অদু চথখিবনি। পাউগী এজেন্সি অমদা দিফেন্স মিনিষ্টর অসিনা হায়খিবদা, মিলিটেন্টশিংনা লোৎলিবা মফমশিংদা বোম হৈথবদা গভর্নমেন্টনা চিংনগদবা লৈতে। অদুগা মমাং চয়োলদা লাউথোকখিবা সিজ ফয়ার অদু টালিবাননা ইন্দ্রগদি ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা অকনবা সিক্যুরিটি ফোর্স তেঙ্গোল অমা থাজিনবদা পন্থুগদবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

হৌজিক থা কয়ামরুম ঙাইরুবগী মথৌ তাদ্রে। থা অসিমক্তগী ওপরেসন হৌবা তঙাইফদ্রে হায়নসু অসিফনা ফোঙদোকখি।

সিজ ফয়ার অমা লাউথোক্লগদি মসি মপুং ফানা ঙাকপা মথৌ তাই। ঙাক্তবা তারবদি ঐখোয়না টালিবানগা ৱারী শাদুনা ঙাইগদবা নত্তে হায়নসু মহাক্না অচেৎপা ৱাফম ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি ৱারী শান্নবদা হেন্না থাজবা থম্বা পোলিটিসিয়ান অমা ওইরম্বদগী খৱাজা অসিফ অসি হৌজিক্তি টালিবানগী লোৎফমশিংদা পাকিস্টাননা অকনবা লান্মীগী খোঙথাং লৌখৎকদবনি হায়না খন্নরিবা, নোংম-নোংমগী মেম্বর মশিং হেনগৎলক্লিবা নৱাজ সরিফকী কেবিনেট মেম্বর অমা ওইরিবনি। নিংশিংবা য়াবদি ইং ২০০৭ তগী হৌনা পাকিস্টান মিলিটরিনা মিলিটেন্টশিংগী লোৎফমশিংদা অকনবা লান্দা কয়ামরুম চথখ্রবনি। খা থংবা ৱাজিরিষ্টানসু য়াওনা অৱাং নোংচুপ ৱাজিরিষ্টানগী মফমশিংদা লান্মীনা ওপরেসন চংশিন্দুনা টালিবানশিংবু তকখাইখ্রবনি।

# নেপালনা এভরেষ্ট মোৎহন্দনবা আইন শেমখ্রে



*কাঠমান্দু, মার্চ ৭ঃ* মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চিংদোল ওইরিবা মাউন্ট এভরেষ্ট কাবা লাকপশিংনা হুন্দোক্লম্বা পোৎথি-পোৎকুমশিংনা চীংদোল অসি মোৎশিল্লকপগী খুদোংচাদবশিংদগী কন্নবা পান্দমদা নেপালনা অনৌবা আইন অমা চৎনহনখ্রে।

অনৌবা আইন অসিগী মতুংইন্না চীংকারোইশিংনা হল্লকপা মতমদা মশা মশাদা ফত্ত-হৌদি পোৎলেম কিলোগ্রাম ৮/ ৮ শোয়দনা পুথরকপা মথৌ তাহনখ্রে।

কুমসি চহিগী এপ্রিল থাদগী হৌগদৌরিবা ক্লাইম্বিং সিজন অসিদগী অনৌবা আইন অসি চৎনরগনি হায়না টুরিজম মিনিষ্ট্রি ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

আইন অসিবু থৌশাদবা চিংকারোইশিংদি চৈরাক ফংনিংঙাই ওইগনি হায়বগা লোয়ননা পীগদবা চৈরাক অদুদি মচা খাইনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

বেজ কেম্পতা মথৌ তৌবা গভর্নমেন্ট ওফিসশিংদা চীংকারোইশিংনা পুথরকপা পোৎথি পোৎলেমশিং অদু শিন্নরমগদবনি হায়নসু ওফিসিয়েল ওইবা লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাংবা লমশিংদা মালেরিয়া শন্দোরক্লি

*অনৌবা ষ্টদি অমনা হায়বগী মতুংইন্না মালেমগী মফম পুন্নমক্তা টেম্পরেচর ৱাংখৎলকপনা মরম ওইদুনা মালেরিয়া হায়বা লায়না অসি ৱাংনা লৈবা লমদমশিংদা শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।*

*হিরম অসিদা রিসার্চ চথবশিংনা হায়বদা, অফ্রিকা অমদি খা-অমেরিকাগী অৱাংবা মফমশিংদা খুন্দাবা মীওইশিং হৌজিক্তি তুংদা লাক্কদবা হেন্না শাবা কুমশিংদা কাংনা শন্দোকপা লায়না অসি নারকপা য়াবগী খুদোংথিবা তপ্না তপ্না হেনগৎলক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।*

*মফম খরদদি শাবা হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা অহেনবা মালেরিয়াগী কেস য়াম্না হেন্না থোকহল্লকপা য়াই হায়রি।*

*সাইন্স হায়বা জর্নেল অদুদা ফোঙদোকখিবা রিসার্চ ষ্টদি অমদা প্রোফেসার মার্সিদিস পাস্কেলনা হায়বদা লায়না অসিগা হকথেংনবা য়াবগী চাং হেনগৎলকপনা মীওইবা খুনাইদা পীরক্লিবা চৈফু অসি থোইদোক্না চাওই হায়না ফোঙদোকখ্রে।*

*লায়না অসি শন্দোকপা হেল্লক্লিবা অসি মরুওইনা মালেরিয়া পেরেসাইদ অমদি মখোয়বু পুবা কাংশিংনা অইংবা মফমশিংদা হৈদবদগীনি হায়রি।*

*পাস্কেলনা হায়খিবদা, লায়না অসি নাবগী চাং ৱাংবা হেল্লিবমখৈ হন্থরকই। মরম অসিনা ইতিহাসতা য়েংখৎখিবদা মীয়াম্না হেন্না ৱাংবা লমদমশিংদা খুন্দাবা পাম্নখিবনি। অদুবু সাইন্টিষ্টশিংনা হায়বদা, লায়না অসি হান্নদি মালেরিয়া ফ্রি ওই হায়রম্বা মফমশিংদা নৌনা নাবগী চাং হেনগৎলক্লি হায়না ফোঙদোকখ্রে।*

*য়ুনিভর্সিটি ওফ মিসিগান, য়ু এসদা সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিন-হুমজিনবদা কলম্বীয়া অমদি ইথিওপিয়ানচিংবা ইং ১৯৯০ দগী ২০০৫ ফাওবগী মরক্তা মালেরিয়া নাবগী কেস মশিংসু হেনগৎখিবা অদুগা শাবগী চাংসু হেনগৎখিবা মফমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংদুনা থিজিনখি।*

*থিজিনবা অদুদা মখোয়না থেংনখিবদা শাবা হেনগৎলকপা খুদিংগী মালেরিয়ানা চীংগী লমদমশিংদা শন্দোকখিবা হেনগৎলমখি। অদুগা নেমথবা মফমশিংদদি হেন্না ইংথরকপা চহিশিংদা মালেমরিয়া নাবগী চাং হন্থরকখি।*

*মরম অসিনা অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা ঐখোয়না থেংনখিবা মালেরিয়া কেস হেনগৎলকখিবা অদু হায়রিবা শাবা হেনগৎলকপগী মতুংইন্না লায়না শন্দোকপা হেনগৎলকপা অসিনা মরম ওইগনি হায়নসু পাস্কেলনা ফোঙদোকখি।*

# ক্যুবানা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা ৱারী শাবা য়ানিংলে




*হবানা, মার্চ ৭ঃ* ক্যুবাগী ফোরেন মিনিষ্টর ব্রুনো রোড্রিগেজনা হায়খিবদা, য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা ৱারী শানবদা মহাক্না থোইদোক্না হরাওবগা লোয়ননা য়ানিংলে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মায়গৈ অনিগী মরক্তা অফবা মরী অমুক লৈহন্নবগীদমক য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়নগা ৱারী শানবদা ক্যুবানা ওফিসিয়েল ওইনা য়াখিবনি। ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা হায়বদা, মমাং থাদা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ৱারী শাননবা বর্তোন তৌরকপদু হরাওনা য়ারে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

শানগদৌরিবা ৱারী অসি মরুওইনা কম্যুনিষ্টনা লৈঙাকপা ইথৎ লৈবাক অসিদা অহেনবা শেন্থং থাদবা অমদি ললোন ইতিক্কী থৌরাং হেন্না ফগৎহনবা হায়বসিদা মরুওইনা চথরবা য়ারি। অদুবু ৱারী শানবদা হ্যুমেন রাইটসকী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদসু য়াওরবা য়াই।

ইং ১৯৯৬ তা য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ননা ক্যুবাগা লৈনবা মরী খরা পীকশিলহনখিবনি। ই য়ুগী খোঙথাং অদু হিরম অসিদা ৱারী শানবা য়ানবা অদুগা মল্টি পার্টি দেমোক্রেসি পুশিনবা য়ানবগী পান্দমদা চথখিবা খোঙথাংনি।

হৌজিক হৌজিকসু য়ুরোপিয়ান য়ুনিয়ন অসি ক্যুবাগী অনিশুবা খ্বাইদগী চাওবা ইকোনোমিক পাটনর অমা ওইরিবনি। অদুগা ই য়ুগী মেম্বর লৈবাক কয়ামরুমগা ক্যুবাগা লৈবাক অনিগী ওইবা য়ানরোল কয়ামরুমসু চৎনরিবনি।

মসিনা মরম ওইদুনা য়ুরোপিয়ান লমকোইবা লিশিং চা কয়ানা চহি খুদিংগী ক্যুবাদা কোইরক্তুনা লৈবাক অদুগী টুরিজম রিভেন্যুগী অচৌবা লাকফম অমসু ওইরিবনি।

ফেব্রুৱারী ১০ দা প্রপোজ তৌরকখিবা ৱারী শানবগী থৌরাং অদু ক্যুবানা তরাম্না ওকই। মসিনা ক্যুবাগী মফমদা ই য়ুনা নাকল নাম্মতগী ওইবা থৌশিলশিং চথবগী থৌওং লেপহন্দুনা য়ানবা পুরক্নবা ৱারী শানবগী ৱাহৌ ওইরগনি হায়নসু ক্যুবাগী কোনুং হবানাদা রোড্রিগেজনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি। ৱারী শানগদৌরিবা অসিগী মতমগী তাঙ্কক্তি চপ চানা য়ানদুনা লেপথোক্লদ্রি।

# এপলনা য়ু এসতা সমসং য়োনবা থিংনবা হোৎনরুবদা ঙমখিদ্রে

*সান ফ্রান্সিস্কো, মার্চ ৭ঃ* য়ু এসতা সমসংগী খরা লিরবা স্মার্ট ফোনশিং য়োনবদা পুমথিং থিংনবা এপলনা থাঙ্গৎখিবা হায়জ চেরোল অমা য়ু এস জজ অমনা ঙরাং রিজেক্ট তৌখিদুনা আইফোন মেকর অসিনা মালেমগী থাক্তা চংশিল্লকপা পেটেন্টকী খোঙথাং অমা মায়থিবা নংখ্রে।

কালিফোর্নিয়াগী সান জোসেদা য়ু এস দিষ্ট্রিক্ট জজ লুসি কোহনা পীখিবা ৱায়েল অমদা এপলনা সমসংগী মায়োক্তা ৱারেন্ট অমা থোকহন্নবগী পুখৎলকপা কঞ্জুমর দিমান্দ অদুদা পীরিবা পেটেন্ট ফিচরশিংদা মতিক চাবা ইভিদেন্স পুখৎলকপা ঙমদে হায়না ফোঙদোরকখি।

এপলনা পেটেন্ট ফংখ্রবা তোঙান তোঙানবা স্মার্ট ফোনশিংগী মশক মওংগা মরী লৈননা চহি অহুম্লোম এপল অমদি সমসং ইলেক্ট্রোনিক কম্পেনি লিমিটেদনা আইনগী ওইবা লান অমা মায়োক্লদুনা লাকপনি।

মরুওইনা এপলনা পেটেন্ট তৌখিবা স্মার্ট ফোনগী স্ক্রিনদা খুৎশা শীজিন্নরগা জুম তৌবা অমদি হন্থহনবা, অমুবা গ্লাসকী স্ক্রিননচিংবা দিজাইন ইলিমেন্টশিংগী মতাংদা থিংনবগী হায়জ চেরোল অদু থাঙ্গৎখিবনি।

য়ু এস জুরিশিংনা এপলদা দোল্লর মিল্লিয়ন ৯০০ হেন্না থীহনখি অদুবু আইফোন মেক্কর অসিনা সমসংগী স্মার্ট ফোনশিং য়োনবদা য়ু এসতা মতম চুপ্পগী ওইনা অথিংবা থম্নবা হোৎনরুবা অদুদি মায় পাকপা ঙমখিদ্রে।

শগোলশেল নুমিৎতা তাখিবা ৱায়েল অদু থা অসিগী লোইশিল্লকপদা অনৌবা সমসং ফোনশিংগা মরী লৈননা এপলনা থাঙ্গৎলকখিবা পেটেন্ট ট্রাইয়েল অমা চথরক্কদবা অদুগী মাঙওইননা থোক্লককখিবনি।

চথরক্কদৌরিবা ৱায়েল অসিদসু সমসংগী অনৌবা মোদেলশিং অদু য়ু এসতা য়োনবা থিংনবা এপলনা হোৎনবদা মখা তানা মায়থিবা নংলবা য়ারি হায়নসু লিখুন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগী মতাংদা এপলগী ৱাঙাংলোই নুপী অমদা হংবদা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকউ য়াখিদে হায়রি। অমরোমদা সমসংনা থোকপা চেরোল অমদদি ঙরাংগী ৱায়েল ৱারোই অদু থোইদোক্না নুংঙাইনিঙাইনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

সোফ ৱায়ার ফিচর খরখক্না সমসং প্রদক্টশিংগী কঞ্জ্যুমর দিমান্দ হেনগৎহল্লি হায়বগী মতিক চাবা খুদম ওইদে হায়বা কোর্টকী ফিরেপ অদু ঐখোয়নসু য়ানিংই। অদুগা কঞ্জ্যুমরশিংনা হেন্না লুনা লৌবা ফিচরদি মখল মখা কা হেন্না য়াম্মী হায়বসি ঐখোয়সু য়াই হায়না কম্পেনি অসিনা ফোঙদোরকখ্রে।

এপলগী ইঞ্জঙ্কসন রিক্বেষ্ট অসিনা পান্দম তৌরিবা খরা লিরবা মোদেলশিং অদু সমসং মশানা য়োনবদি তোকখ্রবনি। অদুবু মখা তানা তৌরক্তনবা অসিগুম্বা অথিংবা অমা মথৌ তায় হায়না এপলনা কোর্টতা পুখৎখি।

# লম্মাংনরবা জর্মন লমকোইবা হয়িং চাদুনা হিংলকখি

*মেলবোর্ন, মার্চ ৭ঃ* ওষ্ট্রেলিয়াগী সেন্ট্রেল ৱেষ্ট ক্বিন্সলেনদা লম কোইবদগী হৌখিবা ফেব্রুৱারীগী ১৭ তা লম্মাংনখিদুনা মফম খঙদনা লৈরকখিবা দেনিয়েল দুদজিজ হায়বা মশাগী চহি ২৬ তা ঙায়রিবা জর্মন মচা লমকোয়বা অসি চয়োল অহুম্লোম হয়িংনচিংবা তিন-কাং চাদুনা মপুন্সি হিংলকখিবনি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈশিং ঈচাও থোক্লবা তুরেল অনিগী মরক্তা লৈবা লমদম অমদা চখোকপা য়াদনা লৈখিবদগী মহাক্কী খোঙ্গুল লিফম খঙখিদবনি।

মোটোরিষ্ট অমনা মহাকপু ঙরাং থেংনরকখিবা মতমদা মশাদা থোয়দোক্না খুদোংচাদবা য়াওদনা হিংদুনা লৈরম্বনি হায়রি।

ওষ্ট্রেলিয়া মনুংদা মহাক্না লম্মুক্নদুনা লৈরিঙৈদা চাক লাম্বা অমুক্তা থেংনরকখিদে হায়নসু খুদোংথিবদা তারুরবা নহা অসিনা ফাগী ওইনা ফোঙদোকখি।

প্রোটিনগী চাং ফজনা য়াওবা হয়িংনা অয়াম্বা মহাক্কী চিঞ্জাক ওইদুনা লেল্লকখিবনি হায়নসু লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

ৱিন্দোরাদগী মহাক্না খোঙশান্দোরকখিবা মতম অদুদা ঙৌথোক্লবা হৱাই খরা নত্তনা করিমতা য়াওখিদবা মরমদগী য়াম্না থুনা চোকথবা ফাওরকখি। মদুদগী উপাই লৈতদুনা মরাং কায়না ফংবা হয়িং চারগা মহাক্না হিংলকখিবনি হায়রি।

দুদজিজবু হিংনা থেংনরবা মতুংদা লায়েংথোকসি হায়বদা য়াখিদে হায়নসু পুলিস ইন্সপেক্টর মার্ক হেন্দর্সন কৌবা অমনা ফোঙদোরক্লি।




